**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27.05.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ২৭-০৫-২০২৪, নিংথৌকাবা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল আর.কে.গোরানিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) বোর্দ ওফ সেকেন্দরি স্কুল মনিপুর(বোসেম)না লৌবা মেত্রিক পারিক্ষা ২০২৪ গী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে। পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৩.০৩ ওইখি। চহি অসিদগী মেত্রিক পারিক্ষাগী ফলদা গ্রেদিং সিস্তেম চৎনবা হৌখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - রাজ্য অসিদা ইহান হানবা ওইনা সিমেন্ত পুবা ত্রেন খোংসাং রেলৱে ষ্টেসনদা য়ৌরকখ্রে। মসিনা য়ুম কৈ শাবগী পোৎলমশিংগী মমল হন্থহনবা ঙম্লগনি।

৩) বঙ্গোপ সাগরদগী হৌরকখিবা নোংলৈ নুংশিৎ রেমলগী ইথিল মনিপুরদা য়ৌরকখ্রে। মফম কয়াদা নোং চুখ্রে।

৪) ভারতকী অহানবা প্রধান মন্ত্রি জৱাহরলাল নেহরু লৈখিদবা চহি ৬০ শুবগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

**অমসুং**

৫) তরেৎশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগীদমক রাজনিতি দলগী লুচিংবশিংনা মাগী মাগী মীরেপশিংগীদমক ঙমজবি থাদুনা ভোট খোমরি ।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**মেত্রিক (এল)ঃ** বোর্দ ওফ সেকেন্দরি স্কুল মনিপুর(বোসেম)না লৌবা মেত্রিক পারিক্ষা ২০২৪ গী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে। পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৩.০৩ য়ৌখি।

ঙসি নুংথিল বাবুপারাদা লৈবা বোসেমগী ওফিসতা এদুকেসন বিভাগকী কম্মীস্নর, দাইরেক্তর অমসুং বোসেমগী চিয়রমেন য়াওনা পারিক্ষাগী ফল অদু লাউথোকখি।

চহি অসিদগী মেত্রিক পারিক্ষা ফল গ্রেদিং সিস্তেমদা লাউথোকপা হৌখি । মরম অদুনা করম্বা স্কুল নত্রগা মহৈরোইনা অহানবা অনিশুবা তারবগে হায়বগী ৱাফম লৈত্রে। অমসুং অহানবা অনিশুবা নত্রগা অহুম শুবা দিভিজন খাইদোক্ত্রে। পারিক্ষা অসিদা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩৭,৭১৫ এনরোল তৌবগী মনুংদা মহৈরোই লিশিং ৩৭,৫৪৭ না পারিক্ষা থাখি। মসিগী মনুংদা মহৈরোই লিশিং ৩৪,৫৩১ না পাস তৌদুনা চাদা ৯৩.০৩ পাস তৌখিবনি।

নুপীমচা মহৈরোই লিশিং ১৮,৫৫২ পারিক্ষা থাবগী মনুংদা লিশিং ১৭,২৫৩ পাস তৌদুনা নুপীমচাশিংগী ওইনা পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৩ ওইখি। নুপামচা মহৈরোইশিংগী ওইনা লিশিং ১৮,৯৯৫ পারিক্ষা থাবগী মনুংদা মহৈরোই লিশিং ১৭,৬৭৮ পাস তৌদুনা , পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৩.৭ য়ৌখি। কুমসি চহিগী ওইনা নুপামচাশিংনা নুপীমিচাশিংদগী পাস তৌবগী চাং হেনখি।

সরকারগী স্কুলশিংগী ওইনা মহৈরোই লিশিং ৯,০৩৭ পারিক্ষা থাবদা লিশিং ৭,৬২২ পাস তৌদুনা , পাস তৌবগী চাং চাদা ৮৪.৩৪ ওইখি। মসিনা হৌখিবা চহি ১০ রোম অসিদা সরকারগী স্কুলশিংনা পাস তৌবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংলি। এদেদ স্কুলশিংগী ওইনা পাস তৌবগী চাং চাদা ৯২.৭৪ ওইখি । অদুগা লন্নাই স্কুলশিংগী ওইনা পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৫.৯৩ য়ৌখি। রাজ্য অসিগী জিলাশিংগী মনুংদা চাদা ৯৯.৬৫ ওইদুনা তেংনৌপল জিলানা খ্বাইদগী য়ামা পাস তৌবা জিলা ওইখি। জিরিবাম জিলানা চাদা ৫০.৭১ পাস তৌদুনা পাস তৌবগী চাং খ্বাইদগী নেম্বা জিলা ওইখি। থৌবাল জিলনা চাদা ৯৯.০৪ পাস তৌদুনা তম্পাক্কী জিলাশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী পাস তৌবা জিলা ওইরি।

পারিক্ষা ফল লাউথোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা ইদুকেসন বিভাগকী কম্মীস্নর ঐচ.গ্যানপ্রকাসনা হায়- গ্রেদিং সিস্তেম অসিনা মহৈরোইশিংগী পুকিং ৱাখল লৈতাদবগী চাং হন্থহনবা ঙমগনি। মহাকা হায়- মল্টিপল চোইস ক্বেসন খক ওইদবনা মহৈরোইশিংনা পারিক্ষাদা ইরন্বা পাউখুমশিংদা,অচুম্বা পাওখুম ওইরবসু ওজাশিংগী ৱাখল্লোন খেৎনবনা মার্ক খেৎননা পীবগী থৌওংসু গ্রেদিং সিস্তেম অসিনা মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ গ্যান--**

মরক অসিদা, চৎলিবা একাদমিক সেসন ২০২৪-২৫ গী ক্লাস ইলাভেন্দা মীং চন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা সরকারগী স্কুলশিং হয়েংদগী ফোর্ম থাবা হৌরগনি হায়রি। টি.জি. হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওইনা মহৈরোইশিংনা স্কুলগী ৱেব সাইট টি.জি.ঐচ.এস.এস দোট ইন্দা চংলগা হয়েংদগী থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা রেজিস্ত্রেসন তৌগদবনি । শ্রীভন হায়র সেকেন্দরি স্কুল লুৱাংশঙবমগী ওইনা হয়েংদগী ক্লাস ইলাভেনদা মীংচন্নবা ফোর্ম থাবা হৌরগনি হায়রি ।

**গভর্নর(এল)ঃ** রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়রি -মমাং চহিগী মে ৩ দগী থোরকখিবা ইরাং অদু অমুক হন্না থোক্তবা ওইসনু। রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লকবা হোৎনরিবশিংবু রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোক্লি। ৱাফম অসি বহ্মকুমারিস অমসুং রাজযোগা ইদুকেসন এন্দ রিছার্স ফাউন্দেসনগী আর্ট এন্দ কলচর ৱিংনা শিন্দুনা পাঙথোকপা য়ুনিভার্সিয়েল কলচর- লব, পিছ, হারমোনি হায়বা শান্তিগী পাউজেল পীবগী থৌরম অসি হৌদোকপগা মরী লৈননা রাজ্যপালনা ফোংদোকখিবনি।

ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা হায়-

মীওই লিশিং ৬০ হেনবনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্প ৩৫০ গী মথক্তা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা অসি নুংঙাইতবা ফাওই। কুকি অমদি মীতৈ ফরুপ অনিগী মরক্তা চংথোক চংশিন লেপখিবা অসি করমা হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্কদগে হায়বসিদা থবক তৌবগী তঙাই ফদবা লৈ । রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকবা হোনরিবা খুদিংমক মহাকা থাগৎপা ফোংদোক্লি হায়না রাজ্যপালনা হায়খিবগা লোয়ননা বন্ধকুমারিশিংনসু রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকবা লৌরিবা থৌদাং অদুবুসু মহাকা অপেনবা ফোংদোকখি। রাজ্যপালনা হায়-

--সাউন্দ রাজ্যপাল--

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - রাজ্য অসিদা ইহান হানবা ওইনা সিমেন্ত পুবা ত্রেন খোংসাং রেলৱে ষ্টেসনদা য়ৌরকপা অসিনা য়ুম কৈ শাবগী পোৎলমশিং মমল হন্থহনবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে। মুখ্য মন্ত্রিনা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোলদা ইন্দিয়ন রেলৱেস অমদি নোথ ফ্রন্তিয়র রেলৱে (এন.এফ.আর) অমদি মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- য়ুমকৈ শাবগী পোৎলমগী ত্রেনগী খুত্থাংদা রাজ্য অসিদা য়ৌরকপনা পোৎলমশিং অদুবু পুথোক পুশিন তৌবগী মমল হন্থহন্দুনা রাজ্য অসিদা তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাস্ত্রকচরশিং শেমগৎ শাগৎপদা চাউনা মতেং পীরগনি।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**নোং (এল)ঃ** বঙ্গোপ সাগরদগী হৌরকখিবা নোংলৈ নুংশিৎ রেমলগী ইথিল মনিপুরদা য়ৌরকখ্রে। মেত্রিওলোজিকেল সেন্তর আই.এম.দি ইম্ফালনা হায়-রাজ্য অসিগী চাদেল অমদি উখ্রুল জিলাদা ঙসি নোং কা হেননা চুখি ।

মণিপুরদা ঙরাংদগী মফম কয়াদা নুংশিৎ য়াওনা নোং চুখি। নোংলৈ নুংশিৎ অসিগী য়েংলগা ইম্ফালদা পাইরক্কদবা অমদি ইম্ফালদগী পাইগদবা ফ্লাইটশিং ঙসি কেন্সেল তৌখি।

ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টকী পাউ মতুংইন্না নোংলৈ নুংশিৎ অসিগী য়েংলগা ঙসি পাইগদবা কোলকাতা-ইম্ফাল, ইম্ফাল-কোলকাতা, ইম্ফাল-দিব্রুগর,দিব্রুগর-ইম্ফাল,শিল্লোং-ইম্ফাল,ইম্ফাল-শিল্লোং, ইম্ফাল-আগরতালা, আগরতালা-ইম্ফাল, ইম্ফাল-সিলচর, সিলচর-ইম্ফাল ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌখি।

পাউ অসিনা পেসেঞ্জরশিংনা মখোয়গী খুদোংচাবা য়েংলগা ফ্লাইটকী টিকেৎশিং রিফন্দ তৌনবা নত্রগা অতোপ্পা খুদোংচাগদবা নুমিৎ অমদা পাইনবা খঙহল্লক্লি।

মেট দিপার্টমেন্টনা হায়-লাক্লিবা নোংম-নিনি অসিদা মনিপুরদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ য়াওনা মখা তানা নোং চুরবা য়াই। ঙসি অসি পুংদা কিলোমিটর ৪০ দগী ৫০ ফাওবা অকনবা নুংশিৎ শিৎলবা য়াই হায়রি।

**এমপিসিসি(এল)ঃ** ভারতকী অহানবা প্রধান মন্ত্রি জৱাহরলাল নেহরু লৈখিদবা চহি ৬০ শুবগী থৌরম ঙসি মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতি (এম.পি.সি.সি)না পাঙথোকখ্রে। ইম্ফালগী কংগ্রেস বভনদা পাঙথোকখিবা নিংশিং থৌরম অদুদা কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবিনা হায়- ভারতপু বৃটিশকী মখুৎতগী নিংখা তমবা হোৎনবদা পন্দিৎ জৱাহরলাল নেহরুনা অচৌবা থৌদাং লৌরমখি।

অনৌবা ভারত অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মহাকা লৌখিবা থৌদাংশিং অদুবু নিংশিংদুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ত কে.মেঘাচন্দ্র য়াওনা অতৈ

লুচিংবশিংনা পন্দিৎ জৱাহরলাল নেহরুগী মীতমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**ত্রেনিং(এল)ঃ** ইলেক্ত্রোনিকেল্লি ত্রান্সমিতেদ পোস্তেল বেলোট (ই.তি.পি.বি.এস)কী খুত্থাংদা থাদখিবা পোস্তেল বেলোটশিং মশিং থিদ্রিনবা মাংওইননা সুপরভাইজরশিংগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি থৌবাল দি.সি কমপ্লেক্সতা লৈবা বেরেগ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সিগী রিটর্নিং ওফিসর দি.সি অহন্থেম সুবাস, এ.দি.এম থৌবাল বি. লোকেস্বর অমদি অতৈ ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

**হোমগার্দ(এল)ঃ** হোম গার্দ পরসনেলশিংগী থাগী তলপ কত্থনবা থাংগৎলকখিবা রিভিউ পিতিসন অমগা মরী লৈননা মনিপুরদা লৈরিবা হোম গার্দ পরসনেলশিংনা চপ চাবা ফীরেপ লৌহৌবা চুম্গনি হায়না মনিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোইজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ত য়াংলেম মঙ্গীনা হায়রি। ৱাফম অসি ঙসি লুৱাংশঙবমদা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা হোম গার্দ ৱেলফ্যার স্কিমগী শেনফমশিং য়েন্থোকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-গৃহ মন্ত্রালয়না রিভিউ তৌবিয়ু হায়না ৱাকৎলিবা অসি হোম গার্দ পরসনেলশিংনা হৌজিক ফংলিবা শেনফম অসি কত্থনবনি হায়না লৌই। মসিদা তুমিন্না লৈথোকপনা তুংদা নিংঙমদবা লাকপা য়াই । রাজ্য অসিদা হৌজিক ফংলিবা দি.এ অসি চাদা ১৪ খক্তনি। অদুবু ফংফম থোকপদি চাদা ৩২ নি হায়নসু মখা তাখি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ মঙ্গী--**

**তমেংলোং (এল)ঃ** তৌসেম এরিয়া ষ্টুদেন্তস ওর্গনাইজেসন (তাসো)না এক্লেভিয়া মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুল (ই.এম.আর.এস)গী বিল্ডিং অথুবদা শানবা অমদি ন্যু মন্দিউদা লৈবা কস্তুরবা গান্ধি বালিকা

বিদ্যালয়(কে.জি.বি.ভি)গী অৱাৎপা ওজাশিং হাপ্পিয়ু হায়দুনা খোংজং চংশিনগনি হায়না তৌরম্বদু হন্দোকখ্রে।

ই.এম.আর.এসকী মরী লৈনবা কাংবু লাক্তুনা বিল্ডিং শাগদবা মফম য়েংশিনখিবা অমদি কে.জি.বি.ভিগী অৱাৎপা ওজাশিং অথুবদা হাপ্পগনি হায়বা ৱাফম থম্লকপদগী খোংজং অদু হন্দোকপনি হায়রি।

**মমল(এল)ঃ** ফ্লাইট অমসি চোপ্পরগী মমল লৌফম থোকপা চাংদগী চাদা ৩০ দগী ৪০ ফাওবগী চাং হন্থহনবিয়ু হায়না রিজনেল ইন্দিজিনিয়স ফোরম ফোর পিছফুল কোএকজিস্তেন্স (রিপকো) রিপকোনা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরি । রিপকোগী চেরোল অমদা হায়- মমাং চহিগী মে ৩ দগী হৌরকখিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা মনিপুরদা লৈরিবা কাংলুপ অনিগী মরক্তা খুদোংচাবা কয়া মায়োকরি। মসিনা লমদম অসিগী শেল থুমগী ফীভমসু অশুক্কী মতিক শোকশিনখ্রে। চিংদা চৎতুনা থবক শুনোমগদবা মীতৈ কয়াসু শুবা চৎপা ঙমদ্রে। মসিনা খুদোংচাদবা চাউনা মায়োকহল্লে।অসিগুম্বা ফীভম অসিদা হেন্না খুদোংচাদ্রিবা অসিনা তঙাই ফদনা মনিপুরগী ৱাংমদা মহৈমশিং তম্বা অমদি অনা লায়েং চৎপা য়াওনা অতৈ মরমগী চৎপা মতমদা এরোপ্লেন তোংদুনা শেল য়ামা চংবা লম্বী অসি খক্তুনা পাম্বে ওইবনা হিরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চংবিয়ু।

**দে(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পাঙ্গে বজারদা লৈবা রাম স্কুলদা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ত দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা রাম স্কুলগী চিয়রমেন ডা: ক্ষেত্রিময়ুম কালা সিংহনা হায়-থারিবা উ-চারাশিং অসি হিংহনবা ঙমদ্রবদি অরেম্বদা মতম অমদি শেল মাংহনবতা নত্তনা মহৌশাগী খলসু ঙাকপা ঙল্লোই । ঐখোয়না মহৌশাগী খল ঙাকা থম্লবদি ঐখোয়গী পুন্সি অসি

মতম শাংনা তিংজং কায়জংদনা হিংবা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা বিট ওফিসর পাঙ্গে, মাইবম বাকেন্দ্রনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। মহাকা উ-পান্বী ১৫০ রোম ওজাশিং অমদি ছাত্রাশিংদা য়েন্থোকখি। বাকেন্দ্রনা হায়- উ-পান্বীশিং অসি মফম চাবা জাগাদা থাবিদুনা হিংবা ঙমবা হোৎনবিয়ু অমদি মালেমদা মীওইবা জাতিনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবা ঙমবা ঐখোয়না উপাল ৱাপাল মরাং কায়না থাবগী হৈনবি থমসি ।

**উখ্রুল(এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালগী তাঞ্জুল প্রোগ্রামগী মশকাইবা রিছোর্স পরসন ওইরম্বা থবক্তগী পোথাখ্রবা আই.এ.এস ওফিসর এন.জি ৱোলেন ঙসি লৈখিদ্রে । মশাগী চহি ৯৩ শুখ্রে। মহাক্কী অরোইবা মথৌ মঙম উখ্রুল জিলাগী সিরারাখোংদা হয়েং পাঙথোক্লগনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ভারত অমসুং উসবেকিস্থানগী নুপীগী ইন্তরনেসনেল ফুটবোল ফ্রেন্দলি মেটচতা শরুক য়ানবা ভারতকী শান্নরোইশিংগী মীং লাউথোকপদা মনিপুরদগী শান্নরোই ৮ য়াওরে। থা অসিগী ৩১ অমসুং মথং থাগী ৪ দা উসবেকিস্থানগী তাসকেনদা শান্নগদবা মেটচ অনি অসিদা ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা মনিপুরগী শান্নরোইশিং অদুদি - ফোরৱার্দতা সরতো লিনদা কোম, মিদ ফিল্ডরদা নাওরেম প্রিয়াঙ্ককা,দিফেন্দরদা লোইতোংবম অশালাতা দেবী, ৱাংখেম লিন্থোই ঙানবী দেবীনি, হেমাম সিলকি দেবী,শোরোক খায়বম রঞ্জনা চানু, গোলকিপ্পরদা মাইবম লিন্থোই ঙানবি দেবী অমসুং মোইরাংথেম মোনালিশা দেবীনি।

**ফুটবোল-২(এল)ঃ** ১৭ শুবা এন.বালানন্দা সিংহ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন অন্দর সভেন্তিন বোইজ ফুটবোল লিগ ২০২৩-২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সাই এস.এ.জি উৎলৌনা ক্রাওবু পাঞ্জল ৩-১ দা মাইথিবা পীখ্রে।

**--অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**মীখলঃ** লোক সভা মীখলগী তরেৎশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলগীদমক তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলগী লুচিংবশিংনা মাগী মাগী মীরেপশিংগীদমক ঙমজবি থাদুনা ভোট খোল্লি।

বি.জে.পি. লুচিংবা অমদি গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি উত্তর প্রদেসকী কুসিনাগর, সালেমপুর অমসুং চন্দোলি লোক সভা কেন্দ্রশিংদা মীখলগা মরী লৈনবা মীফমশিং শরুক য়াখি।

বি.জে.পি. নেসনেল প্রসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দাসু ঙসি বরানাসিদা পাঙথোক্কদবা তোঙান তোঙানবা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি। বি.জে.পিগী লুচিংবসু ওইরিবা মধ্য প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-ডা: মোহোন যাদবসু পাটনাগী মনেরদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি।

অমরোমদা, কংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি-প্রিয়াঙ্কা গান্ধিসু হিমাচল প্রদেসকী চম্বা অমসুং সাপুরদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনশিংদা শরুক য়াখি। কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিসু পাটনাগী খুচুপুর, মানের অমসুং পুতলিপুত্রা লোক সভা কেন্দ্রদা মীয়ামগী মীতিনদা শরুক য়াখি।

**যোগঃ** ইন্তরনেসনেল যোগ ডেগা মরী লৈননা অখন্নবা থৌরম অমা ঙসি বিহারগী মগধা য়ুনিভর্সিতিদা লৈবা বৌদ্ধগায়াগী ৱার্ল্ড হেরিতেজ সিতিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি আয়ুস মন্ত্রালয় অমদি মোরারজি দেসাই নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ যোগনা শিনবনি। থৌরম দুদা মীওই লিশিং কয়ানা যোগ আসনশিং উৎখি।

অমরোমদা, জেনেভাদা পাঙথোক্লিবা ৱাল্ক দ টোল্ক যোগ সেসনদা কেন্দ্রগী

হেলথ সেক্রেতরি অপুরভা চন্দ্র অমদি দব্লিউ.ঐচ.ওগী দি.জি. য়াওনা ইন্দিয়ান দেলিগেসনশিং শরুক য়ারি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) বোর্দ ওফ সেকেন্দরি স্কুল মনিপুর(বোসেম)না লৌবা মেত্রিক পারিক্ষা ২০২৪ গী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে। পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৩.০৩ ওইখি।

চহি অসিদগী মেত্রিক পারিক্ষাগী ফলদা গ্রেদিং সিস্তেম চৎনবা হৌখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - রাজ্য অসিদা ইহান হানবা

ওইনা সিমেন্ত পুবা ত্রেন খোংসাং রেলৱে ষ্টেসনদা য়ৌরকখ্রে। মসিনা য়ুম কৈ শাবগী পোৎলমশিংগী মমল হন্থহনবা ঙম্লগনি।

৩) বঙ্গোপ সাগরদগী হৌরকখিবা নোংলৈ নুংশিৎ রেমলগী ইথিল মনিপুরদা য়ৌরকখ্রে। মফম কয়াদা নোং চুখ্রে।

৪) ভারতকী অহানবা প্রধান মন্ত্রি জৱাহরলাল নেহরু লৈখিদবা চহি ৬০ শুবগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

**অমসুং**

৫) তরেৎশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগীদমক রাজনিতি দলগী লুচিংবশিংনা মাগী মাগী মীরেপশিংগীদমক ঙমজবি থাদুনা ভোট খোমরি ।

**--- পাউ লোইজরে---**